HUEIYEN LANPAO
Refreshingly Reliable
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

দিল্লিদা লৈরিবা ভারতিয়া জনতা পার্টি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এস টিকেন্দ্রনা পার্টি অসিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জগৎ প্রকাস নাদাগা উন্দুনা লেংয়ান ফি অমা খুদোল তমখিবগী শক্তম

লামায় ১

কৈরাও মক্তিং জি পিদা লৈরিবা জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী খুৎশুমল অথুবদা পীথোকপীদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না পঞ্চায়ট দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবা

লামায় ৫

মণিপুর খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দ লম্ফেলপাৎনা শীন্দুনা থা ৩ চূপ্পা চথুগদবা ৱিভিং এন্দ ইমব্রোইদরি ত্রেনিং হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা ফিশাবীশিংদা ফি শানবা লং লেম্না য়েন্থোকখিবগী শক্তম

লামায় ৬

অন্দ্রো এ সীগী মনুং চনবা য়াইরিপোক নিংথৌনাইদা লৈবা নিংথৌনাই প্রাইমারি স্কুলদা হাংবা কম্যুনিতি ক্বারন্টিন সেন্টরগী ভোলন্টিয়রশিংবু হিরোজ ওফ নিংথৌনাই মীংথোল পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখিবা

লামায় ৫

Vol. 44, Issue No.151 | য়ূমশকৈশা, লাংবনগী ৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Wednesday, August 26, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

পেট্রোলগী মমল

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচএনএস) : নুমিৎ তরুকনি থংন-থংননা পেট্রোলগী মমল হেনগৎলক্লে। ওইল মার্কেটিং কম্পেনিশিংনা ঙসি পেট্রোল লিটর অমদা পৈশা ১১ হেনগৎলকখি। হৌখিবা নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা নুমিৎ ৯নিদি পেট্রোলগী মমল হেনগৎলকখি। দিজলগী ওইনদি জুলাই ৩০দগী হৌজিক ফাওবা মমল হেনগৎলক্ত্রি।

জে পি নাদা উনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচএনএস) : দিল্লিদা লৈরিবা বি জে পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এস টিকেন্দ্রনা ঙসি পার্টি অসিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নাদা উনদুনা ৱারী শানখ্রে। ঙসি দিল্লিদা লৈবা বি জে পি নেসনল প্রসিদেন্টকী ওফিসতা উনখিবা অদুদা প্রোফেসর টিকেন্দ্রনা নেসনল প্রসিদেন্টদা লেংয়ান ফি খুদোল তমখি। বি জে পি মণিপুরগী ওর্গনাইজেসন হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অমদি লাক্কদৌরিবা বাই ইলেক্সন্দা বি জে পিগী মীরেপশিং মায় পাকহন্নবগী মতাংদসু খন্ননৈনখি হায়রি।

পীশিল্লক্লবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচএনএস) : মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী মতুংইন্না কন্সটিট্যুট তৌবা টেন্থ সেদ্যুল্ডগী ত্রাইবুনেলনা দিসক্বালিফাই তৌখ্রবা কুম্বী এ সীগী এক্স এম এল এ সনসম বিরগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১২ ওফ ২০১৭ অমসুং মসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ৪ ওফ ২০২০বু খন্ননবা হায়কোর্টনা লৌখৎলদুনা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী পিটিস্নর অমসুং রেসপোন্দেন্টশিংদা রিটর্ন অর্গ্যুমেন্টশিং ফাইল তৌরক্নবা দিরেক্সন পীখ্রে।

পিটিসনশিং অসি ঙসি জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ২ অমসুং ৩দা লিষ্ট তৌখি। কোর্টনা কেস অনীসি লৌখৎলকপদা মসিগী মরী লৈনরিবা পিটিস্নর অমসুং রেসপোন্দেন্টশিংদা মখোয়গী অইবা অর্গ্যুমেন্টশিং পীশিল্লক্লবা খঙহনখিবনি।

...মখা লামায় ৩ কলম ৩

দিসক্বালিফিকেসন কেস মায়োক্লরিবা এক্স এম এল এশিংগী মতাংদা ঈ সী আইগী ৱাফম

‘দিসক্বালিফিকেসন চেলেঞ্জ তৌরিবা এ সীশিংগীদি মীখলগী থৌরাং লৌখৎখিরোই’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচএনএস) : হৌখিবা জুন ১৯, ২০২০দা পাঙথোকখিবা ষ্টেটসিগী সীট অমখক্কী রাজ্য সভাগী মীখল মাঙওইননা স্পিকর ত্রাইব্যুনেলনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরগী মতুংইন্না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বরশিং ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌখিবা এক্স এম এল এ মরিগী মনুংদা অহুমগী মতাংদদি দিসক্বালিফিকেসন ওর্দরশিং অদু চেলেঞ্জ তৌরিবনা মখোয়গী এ সীশিংগী ইলেক্টোরেল প্রোসেস নোটিফাই তৌখিরোই হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না খঙহল্লক্লে।

ঈ সী আইনা ৱারোল অসি ফোঙদোরক্লে হায়বা ৱাফম অসি ঙরাং হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোল অনীগী দিভিজন বেঞ্চতা দিসক্বালিফিকেসন কেসশিং অসি লিষ্ট তৌদুনা খন্ননবগীদমক লৌখৎলকপদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী ষ্টেন্দিং কাউন্সেল কে ঐচ সমরজিৎনা কোর্টতা ফোঙদোকখিবনি।

ঙরাং দিভিজন বেঞ্চ অসিদা লিষ্ট তৌখিবা দিসক্বালিফিকেসনগা মরী লৈনবা কেসশিং অদুনা দিসক্বালিফাই তৌখ্রবা এক্স এম এল এ য়েঙ্খোম সুরচন্দ্র (ককচীং এ সী) না ফাইল তৌরকপা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৩৩১ ওফ ২০২০, এক্স এম এল এ ক্ষেত্রিময়ূম বিরেন (লমলাই এ সী) না ফাইল তৌরকপা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৩৩২ ওফ ২০২০, ৩৬০ ওফ ২০২০, ৩৬১ ওফ ২০২০, এক্স এম এল এ সনসম বির (কুম্বী এ সী) না ফাইল তৌরকপা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৩৬২ ওফ ২০২০ অমসুং ৩৬৩ ওফ ২০২০ অমদি কোংগ্রেস এম এল এশিং কাংঙুজম রঞ্জিৎনা ফাইল তৌবা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৩৩৬ ওফ ২০২০, কৈশাম মেঘচন্দ্রগী রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৩৩৭ ওফ ২০২০ অমসুং সুর্জকুমার ওক্রমনা ফাইল তৌরকপা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৩৩৮ ওফ ২০২০নি।

এক্স এম এল এশিং অসিনা ফাইল তৌরক্লিবা সিভিল রিট পিটিসনশিং অসিনা মখোয়গী দিসক্বালিফিকেসন ওর্দরশিং অদুবু চেলেঞ্জ তৌরক্লগা ওর্দর অসিবু মরক্কী ওইবা ওর্দর (ইন্টরিম রিলিফ) ওইনা চৎনহন্দনা থম্বীয়ু হায়জরকখিবনি। অদুগা পিটিস্নর কোংগ্রেস এম এল এ অহুমগী পিটিসনশিংনা হায়রিবনা চপ মান্নবা দিসক্বালিফিকেসন কেসশিং মায়োক্লখিবা এম এল এশিংগী মনুংদগী খরনা দিসক্বালিফাই তৌরগা খরনা তৌদবগী মায়োক্তা মসিবু চেলেঞ্জ তৌরকখিবনি।

দিভিজন বেঞ্চনা দিসক্বালিফিকেসন কেসশিংগা মরী লৈনবা মেটরশিং অসি লৌখৎলকপদা ঈ সী আইগী ষ্টেন্দিং কাউনেসেল কে ঐচ সমরজিৎকী মায়কৈদগী ঈ সী আইনা থারকখিবনি হায়বা চেরোল অসি কোর্টতা পুথোরকখিবনি। মহাক্না কোর্টতা ফোঙদোকখিবদা ঈ সী আইগী চেরোল অসি ঙরাংমক (ওগষ্ট ২৪, ২০২০) পীরকখিবনি হায়বা ৱাফম থমখি।

...মখা লামায় ৩ কলম ২

মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে, মীওই অনী শিরে



অয়াবগী ৱাংমদা মী কা হেন্না পুল্লবদি লুপা লিশীং ১০ ফাইন লৌগদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচএনএস) : সোসল ৱেলফেয়র অমসুং কো-ওপরেসন মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে। হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই অনী কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা রিমস হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মিনিষ্টর মশামক্লা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। মিনিষ্টরনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী লাইওং উৎথোরকপা থেংনবদগী লন্নাই দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর অমদা টেষ্ট তৌরুবদা পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনরকখিবনি। মিনিষ্টর মশামক আইসোলেসন তৌদুনা থম্বগা লোয়ননা হৌজিকমক্কী ওইনা হকচাংদা নুংঙাইতবা অমসুং খুদোংথিনীংঙাই ওইবা ফীভম অমত্তা উৎথোরকপা লৈত্রি হায়খি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেল ৮ য়াওনা মীওই ৮২ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না কনফর্ম তৌখি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা অনাবা মীওই ৯৯ ফীভম ফগৎলকপদগী দিসচার্জ তৌখি। নাবা

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

হোকর্স দে পাঙথোক্তুনা জেনিমসকী ব্লদ বেঙ্কতা লেম্না ঈ কৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচএনএস) : মণিপুর হোকর্স এসোসিএসননা ঙসি খুরাই নান্দৈবম লৈকায়দা লৈবা ষ্টেন্দর্দ ক্লবকী শঙলেন্দা হোকর্স দেগী থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা জেনিমসকী ব্লদ বেঙ্কতা লেম্না ঈ কৎখ্রে।

এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি লাইখুরাম সুরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হোকর্স এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ৱাংখেম অজিৎনা প্রসিদেন্ট, লোয়ননা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী ফীভম খমথেংনা শোক্লে, গাড়ী কয়া লম্বী ময়ায়দা পুখবা, লোংবা য়াওরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচএনএস) : ষ্টেট অসিগী য়াম্না মরু ওইবা লম্বী অমা ওইরিবা নেসনল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী ফীভম খমথেংনা শোকপগা লোয়ননা লম্বী ময়ায়দা অচৌবা কোম কয়া লৈবনা পোৎ চৈ হোন্দোক হোঞ্জিন তৌরিবা গাড়ীশিং চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরে।

প্রেসনা ফংবা পাউ অমগী মতুংইন্না ঙসি অয়ূক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা জিরিবামদগী ইম্ফাল তম্না পোৎ চৈ পুরগা থৌরকপা ত্রক অমা বরাক মনাক্তা লম্বী ময়ায়মক্তদা লৈবা লৈখোম লৈনাংগী কোমদা পুখবদগী অতৈ গাড়ীশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা থোকখি।

ইম্ফাল-জিরিবামগী লম্বী অসি হান্না বি আর টি এফনা শেমজিনবগী থৌদাং লৌরিঙৌদা ওইরম্বা ফীভম অদুগা চপ মান্নরে হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি।



ত্রক দ্রাইভর খরনা পাউচে অসিদা হায়রকখি মদুদি নেসনল হায়ৱেগী লম্বী শেমজিনবা মতমদা লম্বী নাকলগী দ্রেন নিংথিনা শেম্বীদবনা ঈশিং

...মখা লামায় ৩ কলম ৩

‘কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা হোৎনরি; মীরোনবী, লায়রবশিং লেম্না টেষ্ট তৌগনি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচএনএস) : মণিপুরদা কোভিদ-১৯ লাকশিনবা ঙম্বগী থাক্তা লৈরে। মীরোনবী অমদি লায়রবশিং লেম্না কোভিদ টেষ্ট তৌগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা সী এম নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। সেন্ত্রেল ফোর্সশিংদা কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা রিভিয়ু তৌনবা হয়েং মীটিং কৌরি। সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ) কী মকোক থোংবা ওফিসল কয়া লাক্লবা খঙহনখ্রে। ফোর্সকী এস ও পি ঙাক্লা চৎলিব্রা হায়বদু য়েংশিনগনি। থা অহুমদি মপানদগী সেন্ত্রেল ফোর্স পুশিল্লক্তনবা খঙহনখ্রে।

মণিপুরদা হৌজিক কোজিদ-১৯ লাকশিন্নবা হোৎনবদা খুমাঙ চাওশিল্লিবসি মতম চানা বোর্দর চ্যেক তৌখিবা, লোকদাউন তৌখিবা অমদি কৈথেলশিংগী ইমাশিংনসু কোওপরেসন পীরকখিবা লোয়ননা মীয়ামগী সপোর্টননি। মীরোনবী নুপীশিং অমদি লায়রবা মীওইশিং লেম্না টেষ্ট তৌগনি। হন্দক্তা মীরোনবী নুপী অমা লৈখিদবা থৌদোক্কী মতাংদা থিজিল্লি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা থোক্তনবা হোৎনগদবনি। মরাল লৈবশিং চপ চানা য়েংশিনগনি। হোস্পিটালশিংদা কোভিদ নত্তবা অনাবশিং লাকপদা য়েংনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

HL Poll

Q: Covid-19 gi laichat marakta ashoi-angam thokhandana exam pangthokpa ngamgani haibagi thajaba leibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: State amadagi atoppa state amada chatthok-chatsin touhangadabani haibasi achumba khongthangni haina khanbra?

Yes	No
22%	78%

নাগালেন্দ খক্তদা সিজফায়র এগ্রীমেন্ট চৎনরগা কমদৌনা মণিপুরদা ৱারোইশিনগী ৱাফম পুশিল্লক্কদৌরিবনো : য়ু সী এম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই এম)গী মরক্তা কুমজা ২০০১ দা সিজফায়র এগ্রীমেন্ট নাগালেন্দ খক্তদা তৌনরগা ৱারোইশিন্দনা কমদৌনা মণিপুরদা পুশিল্লক্কদৌরিবনো, মরী লৈনদে হায়না য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)না ফোঙদোরক্লি।

য়ু সী এমগী আই পি আর সেক্রেটরি বি এম য়াইমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ২০০১গী জুন ১৪দা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমদি এন এস সী এন (আই এম) অনীগী মরক্তা সিজফায়র এগ্রীমেন্ট অমা সাইন তৌনখিবা মীয়াম্না বেঙ্কোক এগ্রীমেন্ট হায়না খঙনরিবা য়ানচে অদুগী হাক্তক্তগী লৈপাক অসিগী মীয়াম্না হৌনবা নাইরুদনা হৌরকখিবা মীয়ামগী ঈহৌনা মণিপুর (কংলৈপাক)দা অচৌবা মৈহৌ লাংপোক য়াওনা ঈহৌ অমা লাকখিবগা লোয়ননা মীওই ১৮গী থৱায় মাঙখি। মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা থাংজিল্লুবা অরানবা খোঙথাং হন্দোক্তবা য়াররোই হায়বা খঙবদগী ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা থাংজিল্লম্বা খোঙথাং হন্দোকপদা তাখি। অদুগুম্লবা পুৱারীদা ময়েক লানা হক্তুনা লৈহৌরগদবা থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা অতল বিহারী বায়পায়ীনা কুমজা ২০০১গী জুলাই ২৪ দা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী দেলিগেসনদা পুং ২.৩০ হেন্না তান্নদুনা থাজবা পীরক্লবা মতুংদা কুমজা ২০০১গী জুলাই ২৭ কী নুমীদাংদা ওফিসল ওইনা ‘ৱিদাউট টেরিটোরিয়ল লিমিট’ হায়বা ৱাহৈ অহুম অসি হন্দোকপগী ৱাফম মণিপুরগীনা গভর্ণর ভেদ মরুৱাহ অমদি অতৈ অৱাং নোংপোক্কী চীফ মিনিষ্টরশিংগী মফমদা থম্বগা লোয়ননা সিজফায়র এগ্রীমেন্ট অসি নাগালেন্দ ষ্টেট খক্তদা চৎনরগনি হায়না লাউথোকখিবনি অমদি ৱাফম অসিমক মতম অদুগী হোম মিনিষ্টরসু ওইবা এল কে অদভানিনসু মীদিয়াদা চুম্মী হায়না ফোঙদোক্লককখিবনি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা ঐখোয়না য়েংমিন্নগদবদি এন এস সী এন (আই এম) গা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা য়ানখিবা ৱাফম অসি নাগালেন্দ ষ্টেট মনুংদা চৎনখিবনি।

হায়রিবা য়ানচে অসি মণিপুর (কংলৈপাক)কী মফমদা চৎনবা লৈতে অমদি চৎনফমসু থোক্তে হায়বসি লমদম অসিগী মীয়াম্না থবক্লা উৎতুনা লৈখ্রবা ৱাফমনি। হায়রিবা ফীভমসিদা হৌজিক মখা তানা কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩দা অমুক অনৌবা মায়োন অমা অমুক পুরক্তুনা

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

কাইসিবু এন পি পি ষ্টেট য়ুনিটকী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট খল্লকখ্রে, ষ্টেট য়ুনিটনদি থাংমিলিয়নবু ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচএনএস) : নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী নেসনল প্রসিদেন্ট কোনরাদ সংমানা ঙরাং চেরোল থোক্তুনা ফিছরিজ মিনিষ্টর কাইসিবু ষ্টেট য়ুনিটকী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট খল্লে হায়না লাউথোকখ্রে। মরকসিদা, এন পি পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী চহী অহুমগী প্রসিদেন্ট ওইনা থাংমিলিয়ন কিপজেনবু খল্লে হায়না ঙসি তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

এন পি পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট কোনরাদ সংমানা ঙরাং খূৎয়েক পীদুনা থোকখিবা চেরোলগী মতুংইন্না, এন পি পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা এন কাইসিবু খল্লে। মহাক্না এন

পি পি কনষ্টিট্যুসনগী মতুংইন্না ষ্টেট প্রসিদেন্টকী পৱার এক্সর্সাইজ তৌগনি। অকক্লবা মতমগী মনুংদা সেন্ত্রেল ইলেক্সন ওথোরিটিগা তানদুনা এন পি পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ইন্টরনেল ইলেক্সন নিংথিনা কন্দক্ট তৌনবা থবক পায়খৎকনি হায়নসু পল্লি। চেরোল অসি এন পি পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট কোনরাদ সংমানা এন কাইসিদা থারকখ্রে।

মরকসিদা, ঙসি এয়রপোর্ট রোদতা লৈবা এন পি পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ওফিসতা হান্নগী প্রসিদেন্ট থাংমিলিয়ন

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

NATIONAL PEOPLE'S PARTY : MANIPUR
PRESIDENTIAL ELECTION : 2020

চীফ মিনিষ্টরনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংদা লোনগী শেনফম য়েন্থোকখ্রে

লোন পীবগী মহুৎতা শেলগী মতেং ওইনা পাংবিয়ু হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচ এন এস) : চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি লোকদাউনগী চৈথেং ফংলবা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ভেন্দর ৮১৭তা লোনগী শেনফম য়েন্থোকখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি ষ্ট্রিট ভেন্দরস অত্মানির্ভর নিধি-পি এম স্বানিধিগী মখাদা ষ্ট্রিট ভেন্দর ৩৬৮দা কান্নবা ফংহনখি। চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকপা মীওই ১৪ য়াওনা রেগ্যুলর লাইসেন্স পায়রবা ভেন্দর ৪৪৯দসু প্রধান মন্ত্রি মুদ্র যোজনা-সিসুগী মখাদা কান্নবা ফংহনখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌখিবা থা ৫ রোমগী মনুংদা ভেন্দরশিংনা থেংনরিবা শেল-থুমগী খুদোংচাদবা পূম্নমক লৈঙাক্লা খঙদবা নত্তে। অথুবা মতমদা তোঙান-তোঙানবা স্কিম অনী পায়খৎতুনা ভেন্দরশিংগী অৱাবা কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা ভেন্দর ২০,০০০দা লোন পীনবা বেঙ্কশিংগা ৱারী শানবা হৌরে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ইম্ফালগী ইমা কৈথেল, কৈথেল অসিগী অকোয়বদা অমদি মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পোৎচৈ য়োল্লম্বা ষ্ট্রিট ভেন্দর্সশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং উবিরদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা প্রধান মন্ত্রি ষ্ট্রিট ভেন্দর্স আত্মানির্ভর নিধিগী মখাদা মতেং ওইনা লোনগী শেনফমশিং পীবিরিবা অসিগী মতাংদা কৈথেল ফম্বি নুপীশিংনা পাউচে অসিদা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লি।

ইমা কৈথেলদা ক্বা য়োনবী নুপী অমনা হায়খি, কৈথেল ফম্বী নুপীশিংগীদমক লৈঙাক্লা মতেং পাংবা ওইনা নুপীশিংগী বেঙ্ক একাউন্টতা শেল হাপ্পক্কনি হায়বগী পাউ তাবদা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং পীশিনখি অদুবু ঙসি ফাওবা হীরম অসিগী মতাংদা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৭.১৪ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৮.৫৮ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.৭৬ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.৫২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!


- লৈকায়সিদা চঙলকপা য়ারোই, কোরোনা হিংচবী নঙ!
- ঙসিগীদি অনীসিনা কোন্নরনি, ওজা মাইবা।

@1.80% অপীকপা শেন্দোইদা @1.80%

সনা Bandhop লৌজরি

ঙসি মালেমগী ওইনা Covid-19 না মরম ওইদুনা খম থেংনা ৱানরবা মতমসিদা মণিপুর মীয়ামগীদমক মতেং খরদং ওইরসু পাঙজবা ওইনা অপিকপা শেন্দোইদা সনা বন্দান লৌজরি।

সনা সন 1 দা ₹ 7000 দগী ₹ 8000 ফাওবা লৌবা য়াগনি।

শেন্দোইনা 100 দা 1.80% খক্তনি।

করিগুম্বা অদোমগী হান্না অচৌবা শেন্দোইদা সনা Bandhop থম্বখিবা লৈরবদি ঐখোয়না হন্দোকপীরগা, ঐখোয়গী অপিকপা শেন্দোইদা অমুক থম্বগী খুদোংচাবসু পীজরি।

@1.80% Only.

For details, Please contact
Govindajee Gold Mortgage,
2nd Floor, Imphal Diagnostic Centre Building,
Palace Compound, Govindajee Road,
Near Andro Parking, Imphal East
7085917479

HL-B/6330/26th aug to 25th sept

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫